# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 17-05-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপ অনিগী মীওই মঙা খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে।

২) নোনে জিলানা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৮.১৩ য়ৌদুনা খ্বাইদগী শাবা জিলা ওইখ্রে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৬.১১ য়ৌখি।

অমসুং

৩) বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি উত্তর প্রদেশকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোক্কদবা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াগনি।

------

প্লিস(এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং কে.সি.পি (পিপলস ৱার গ্রুপ)কী কাদর মরি ফারে। কে.সি.পি (তাইবং ঙানবা)গী কাদর অমসু ফারে।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- থৌবাল জিলাদগী কে.সি.পি (পিপলস ৱার গ্রুপ)কী কাদর মরি অসি ফাবনি। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম-পিষ্টোল অনি, নোংমৈ মরু ৩৯, দিমান্দ লেটর মঙা, মোবাইল হেন্দসেট মঙা অমসুং চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফংখি। অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী কে.সি.পি (তাইবং ঙানবা)গী কাদর অমসু ফাখি। হায়রিবা মীওই অসি পাউনা অমসুং থঙ্গাল কৈথেলগী দুকানশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

মঙোনদগী মেগজিন অনিগা লোয়নমা পোইন্ট থ্রি-টু পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু মরি, মোবাইল ফোন অনি, শেল অমদি গাড়ি ফংখি।

চেরোল অসিদা মখা তানা হায়- ইরাং থোক্কনবা অমদি চীংগা তাইনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্নবগী থবক লেপ্তুনা চখরি। হৌখিবা পুং ২৪ দা রাজ্য অসিদা ইরাং থোকপগী পাউ লৈতে। লোয়ননা নেসনেল নম্বর থার্তিসভেন ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ২০৮ অমদি নেসনেল হাইৱে নম্বর-টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ২৮৬ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা পুরকখ্রে হায়রি।

এরেষ্ট (এল): থৌবাল জিলাগী লিলোং নুংগৈদা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শকখঙদবশিংনা মীওই অনি ফাখিবগী মনুংদা অমনা শিনা ফংখিবা, অমবুনা তমথিনা ফুরকপা থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই অমসু ফারে। পুলিসকী পাউনা হায়- মীওই অসি লিলোং পুলিস অমদি থৌবাল কম্মান্দোগী অপুনবা কাংবুনা থা অসিগী ১৫ দা লিলোং কালৈখোংদগী ফাবনি। নুপি অনি য়াওনা মীশি অসিদা চেন্নবা মীওই ১০ হান্ননা ফাখ্রে। কেস অসিগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১১ ফাগৎপা ঙমলে। মখা তানা থিজিনবগী থবক চখরি।

এআর (এল): অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে থৌরম তেংনৌপল জিলাগী সিতা ভিলেজদা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোকখ্রে। মদুদা মরাথোন অমদি অকোইবগী খলশিং করমা ঙাক্তুনা থমগনি হায়বগী মতাংদা ভাব তামিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। চান্দেল জিলাগী খেংজোই সব-দিভিজনদসু অসাম রাইফলসনা মিনি মরাথোন অমা পাঙথোকখি। চীংগী মফমশিংদা মশা মউ ফনা লৈননবা অমদি অমত্তা ওইনা শান্তি ওইনা লৈনবগী পান্দমদা মরাথোন অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা চীং অমদি তমগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন অমদি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনশিংগা উন্নদুনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা খুলশিংগী ভিলেজ চীফশিংগসু উন্নদুনা খুলশিংগী চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা খন্নখি।

ফুটবোলঃ নোংচুপ বেঙ্গলদা চত্থখিবা ২৮ শুবা সেনিয়র ৱিমেন নেসনেল ফুটবোল চেম্পীয়নসিপ ফোর রাজমাতা জিজাবাই ট্রোফি ২০২৩-২৪ গী চেম্পিয়ন ওইরবা মণিপুরগী টিম ঙসি ইম্ফাল য়ৌরক্লগনি। হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মনিপুরনা মমাংগী রন্নরস অপ হারিয়ানাবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখিবনি।

ফুটবোলঃ বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা ১৭ শুবা বালানন্দ সিংহ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন অন্দর সভেন্তিন বোইজ ফুটবোল লিগ ২০২৩-২৪ গী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা ওইনাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না য়ুনাইতেদ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

মৈরাবাঃ বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসন (বি.দব্লিউ .এফ)কী থাইলেন্দ ওপনগী ক্বাতর ফাইনেলদা ঙসি মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংগা থাইলেন্দগী শান্নরোই কে. বিদিতসানগা থেংনরগনি। মৈরাবা লুৱাংনা দেনমার্ককী খৃস্তোফরসনবু মাইথিবা পীদুনা তুরনামেন্ট অসিগী ক্বাতর ফাইনেল চংখিবনি।

শাবা ঃ ইম্ফালদা ঙরাং শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩৪ য়ৌখি। রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা পীবা অঙৗং অশাগী রিপোর্টতা ঙরাং নুমিদাং পুং ৬ ফাওবদা নোনে জিলানা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৮.১৩ য়ৌদুনা খ্বাইদগী শাবা জিলা ওইখ্রে। অদুগা ইম্ফাল ইষ্ট জিলানা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৬.১১ য়ৌখি।

অমরোমদা, লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা লৈবাক অসিগী অৱাং-নোংচুপ থংবা অমসুং নোংপোক থংবা লমদমশিংদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩ দগী মরী ফাওবা হেনগৎলকপা য়াই হায়না ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্তনা হায়রি।

পিএম ঃ বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি উত্তর প্রদেশকী বরাবংকি, ফতেপুর অমসুং হামিরপুরদা পাঙথোক্কদবা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াগনি। তুংদা প্রধান মন্ত্রিনা মহারাষ্ট্রগী মুম্বাই সাউথ সেন্ত্রেল

লোক সভা কেন্দ্রদা পাঙথোক্কদবা মীখলগী রেল্লি অমদসু শরুক য়ারবা য়াই।

অমরোমদা, বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ ঙসি উত্তর প্রদেশকী অমেথি লোক সভা কেন্দ্রদা পাঙথোক্কদবা মীখলগী রেল্লিদা শরুক য়াগনি। তুংদা, শা সাহনা রুরকেলাদা পাঙথোক্কদবা বি.জে.পিগী বিজয় সংকল্প যাত্রাদসু শরুক য়াগনি। হায়রিবা যাত্রা অসি দল অসিগী মীখলগী কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপনি।

কংগ্রেস লুচিংবী সোনিয়া গান্ধি ঙসি রাইবরেল্লিদা পাঙথোক্কদবা মীখলগী রেল্লিদা ৱা ঙাংগনি। রেল্লি অদুদা শ্রী রাহুল গান্ধি, প্রিয়াঙ্কা গান্দি অমসুং সমাজৱাদি পার্তিগী প্রসিদেন্ট অখিলেস যাদবসু শরুক য়াগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুর নিউজদা- য়েলহৌমীশিং কন্নবা মীতোপশিং মরমদা হলহনবগী থবক লেপ্তুনা চত্থখিগনি, দিজিগনেতেদ কেম্পকী অকোইবদা সেক্যুরিতি হেনগৎহল্লে হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- ঙমখৈদা কাপবদা কুকি মিলিটেন্ট অমা শিরে, কুকিশিং ইন্দিয়াগী ফোর্সশিংনা নাগাশিং অমসুং মীতৈশিংগী মায়োক্তা শিজিন্নে হায়বা এন.এস.সি.এন(আই.এম)গী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা- মণিপুরদা সেন্ত্রেল ফোর্স কম্পনি ৫৬ খক্তা ঙাইহৌরে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউগী এনকর কলমদা- মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী ভি.দি.এফ পার্সোনেল অমা রিলিফ কেম্পতা লৈনা লৈনা দ্যুতি চত্তবা মতমদা ইন্সাং নাপী য়োনবা য়াওরল্লে হায়না ফোংলি।

পোকফমদা- বোর্দর ফেন্সিং খাবগী মায়োক্তা তেংনৌপল অমদি মিজোরমগী চমফাইদা য়ানিংদবা খোঙচৎ চৎখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ইজ্‌কেসন দিপার্টমেন্টকী প্রি-পি.ঐচ.দি এন্ত্রান্স টেষ্ট নৌনা পাঙথোক্লগনি হায়না অহাবা লমায়দা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- থা ১ গী মনুংদা লৈঙাকা মীতোপ মশিং চপ চানা খঙহন্নবা ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম মণিপুরনা দিমান্দ তৌরি হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরে। কম্মিসন শেমদুনা মীতোপকী মশিং খঙদোকবা থবক পায়খৎলু হায়বা অসাং কসারগী ৱাফম সব-হেদলাইন ওইনা পীরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- কে.এন.এ-বি অমদি পি.এল.এগী অকনবা লানবুংদা কে.এন.এ-বিগী মিলিটেন্ট শিরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- মীখলগী মথৌ পাঙথোকবগীদমক চৎখিবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং হল্লক্লবা য়াই হায়বা সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহগী ৱাফম অনিসুবাা হেদলাইন তৌরি।

আইন কায়না কামজোংদা মীতোপশিং চংশিল্লকপগী মতাংদা ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম মণিপুরনা পীখিবা রিপোর্ট সরকারনা থৌওইখিদে হায়বা পাউ অসিনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরে।

গানফিউ মেলদা- লাক্লিবা জ্‌ন ১ ফাওবগী মনুংদা হাংদুনা লৈরিবা ওজাশিংগী ফম মেনশিনগদবনি হায়না তৌসেম এরিয়া ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন্না তমেংলোংগী দিপ্যুতি কম্মিসনারদা অককবা মতম থাখ্রে হায়না ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- ভারত সরকারনা ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম লৌথোকখিবগী মায়োক্তা ত্রান্স বোর্দর ইন্দিজিনস পিপলগী বরমা অমদি ইন্দিয়াগা মীহুৎ কাংবুনা অমত্তা ওইনা লেপখ্রে, উখ্রুলদা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়না ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- কেন্দ্র সরকারনা ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈদা শন্বল খাবগী ৱারেপ লৌখিবা অদুগী মায়োক্তা তেংনৌপল জিলাদা অচৌবা রেল্লি অমা চৎখ্রে হায়না ফোংলি।

------